১৯শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৩

# ছেত্রিনা চনখিবা পেনাল্টি গোলনা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙনবগী ময়োল চোংহল্লে

**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী):**

চাইনাগী হাংঝৌ সিটিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন গেমস ২০২৩গী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা দি ঝি য়াওসন স্পোর্টস সেন্টর ষ্টেদিয়মদা শগোলশেন নুমিত্তা ইন্দিয়া অমদি বাংলাদেশনা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা স্কিপ্পর সুনিল ছেত্রিনা পেনাল্টিদা চনখিবা গোলগী মতেংনা ইন্দিয়ানা য়ূল্লোন্নরিবা বাংলাদেশপু গোল ১-০দা মায় পাকপা ঙমদুনা মথংগী রাউন্দ চঙনবগী ময়োল নৌনা চোংহনখ্রে।

অহানবা গেমদা য়ূম্বু চাইনাগী মখূৎতা চাওনা মায়থীখ্রবা মতুং কোচ ইগোর ষ্টিমেককী শান্নরোয়শিংনা বাংলাদেশকী নহা ওইরিবা ফুটবোল্লরশিংবু য়াম্না ৱানা হোৎনরবা মতুংদা থোইবা ঙমখিবনি। হৌবদগী হৌনা টিম অনীমক্কী ফুটবোল্লরশিংনা হনবা লৈত্রবা মথৌনা, মরৌশিং শীজিন্নদুনা নুংঙাইরবা ফুটবোলগী কুম্মৈ অমা ওইহনখি।

ইন্দিয়ানা য়াম্না ঙন্না ৯শুবা মিনটতা গোল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। রোহিৎ দনু অমদি রাহুল কে পীনা য়াম্না ফজবা কম্বিনেসনগা লোয়ননা পুশিল্লকখিবা বোল বাংলাদেশকী বোক্স মনুংদা সুনিল ছেত্রি তম্না খাইদোরকখি। ছেত্রিনা বোল হেক ফংবগা বাংলাদেশকী পোষ্ট তম্না কাওশিনখি, অদুবু বোল অদু পোষ্টকী নাকন্দা চৎখিদুনা গোল ওইহৌখিদে। অমুকসু অয়ুশ দেব ছেত্রিনা সিক্স য়ার্দ বোক্স মনুংদা সুনিল ছেত্রি তম্না থাদরকখিবা বোল অমসু মতাং চানা বোল লৌবা ঙমদদুনা বাংলাদেশকী দিফেন্দর অমনা ক্লিয়র তৌথোকখি।



অয়াম্বা মতমদা মিদফিল্ডদা শান্নখিবা ঙসিগী গেমস অদু নাকল অনীমক্না অমনা অমবু কা হেন্না লাকশিন্না শান্নবা হায়বদুদি ওইখিদে। বাংলাদেশনসু মরক-মরক্তা ইন্দিয়ন দিফেন্দরশিংবু কক্‌ঙাওনহনবা মতাংসু য়াওখি। বাংলাদেশকী রবিবুল হাসন অমদি জয়েদ অহমদনা অহানবা হাল্ফতা য়াম্না ফজরবা ক্রোস বোল অমা খাইরকপদা মীৎশিং-নাশিংলবা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ক্লিয়র তৌথোকখিদুনা খূদোংথীবা তাহনখিদে। অদুবু ফোইসল অহমদ ফাহিমনা দিফেন্দরশিং নমখায়রগা কাওশিল্লকখিবা শোট অমা ইন্দিয়াগী গোলকীপ্পর মণিপুরী মচা ধীরজনা নীংথিনা সেভ তৌখি। ইন্দিয়াগী ওইনসু ৪০ শুবা মিনটতা চোকথবা লৈত্রবা ৱিঙ্গর ব্রাইসি মিরান্দানা য়াম্না ফজবা বোল অমা দিফেন্দর চিংলেনসনা তম্না খাইরকখি, অদুবু হেদ তৌশিনখিবা চিংলেনসনাগী বোল অদু তপমনবনা য়াম্না লায়না ব্লোক তৌখি। অসুম্না নাকল অনীমক্না গোল চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতদি ইন্দিয়াগী এটেক হেন্না কনশিল্লকখি। ঙসিগী মেটচ অসিগী ওইনদি মীরান্দা লাক্ল-ফানা ঙমখিদ্রে হায়বমক য়াই। মহাক্না ওই থংবা নাকন্দগী য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বোল অদু কক্‌ঙাওনরবা বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিংনা থিংবা ঙমদ্রিঙৈ বাংলাদেশকী গোল পোষ্ট তম্না নেম্না কাওশিনখি। বোল অদু বাংলাদেশকী গোলকীপ্পর মীটুল মর্মানা য়াম্না শোন্থনা ইন্থোকখিবদা য়ার্দ ১০ লাপ্পা লৈরিবা ছেত্রিগী মপা চপ চানা বোল অদু লাকখি। ছেত্রিনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অদু লাইবকথীবনা গোল কীপ্পর মীটুলগী মপা চপ চানা তারুবদগী সেভ তৌখি। ষ্ট্রাইকর রাহুল কে পী অমদি অব্দুল রাবীহনসু ইন্দিয়াগী গোল চনবা য়াবা খূদোংচাবা অনী নাম্থোকহনখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৬০শুবা মিনটতসু সাম্যুএল জেমসনা কাওবা বোল অমা গোল ওন্থোক্কদবা শম্নাদা নাম্থোকখি। বাংলাদেশকী ওইনসু ষ্ট্রাইকর মোজিবোর রহমন জোনিনা কাউন্টর এটেক অমদা ইন্দিয়াগী দি বোক্স ময়াদা লালচুংনুঙ্গাবু নাথৈরন্নগা ওই থংবা খোঙনা কাওশিল্লকখিবা শোট অমা ধীরজনা এঙ্গল খূজিলহন্দুনা হৈ-শিংনা সেভ তৌবা ঙমখি।

শান্নবা লোইরমদাইদা ইন্দিয়ানা চথখিবা এটেক অমদা ঙসিগী ওইনা বাংলাদেশ দিফেন্দরশিংনা লাক্লবা ঙমখিদ্রবা ইন্দিয়াগী ৱিঙ্গর মীরান্দানা বাংলাদেশকী বোক্স মনুংদা হৈ-শিংনা পুশিল্লকখিবদা বাংলাদেশকী দিফেন্দর রহমত মিয়ানা কাঙলোন লান্না মীরান্দাবু তুহল্লুবদা রেফরিনা ইন্দিয়াগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। বাংলাদেশনা প্রোটেষ্ট কয়ারক তৌরবসু রেফরিনা দিসিজন হোংখিদবনা ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর সুনিল ছেত্রিনা স্পোট কিক্ অদু গোল ওন্থোকপা ঙমদুনা গোল ১-০দা মাংজিল থাখি।

মতুংদা নাকল অনীমক্না মখা তানা গোল চন্নবা ঙমখিদবনা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙনবগী ময়োল চোংহনখি।

১৯শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৩

## ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম মায়থীখ্রে, নুপীগী ক্রিকেট টিম সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

**হাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী):**

**এসিয়ন গেমস ৱিমেন'স ফুটবোল :**



হৌজিক হাংঝৌদা চথরিবা এসিয়ন গেমসকী নুপীগী ফুটবোলদা চাইনিজ টাইপৈনা ইন্দিয়া ৱিমেন'স টিমবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্লেদুগী অহানবা হাল্ফতা ইন্দিয়ানা মালেমগী ফুটবোল মশান্নদা অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা চাইনিজ টাইপৈবু কন্না লম্বা তৌনদুনা মায়োক্নখি। অদুবু চাইনিজ টাইপৈগী সু য়ু-সুআন অমসুং লাই লি-চিননা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অঞ্জু টমাংনা গোল অমা চনবা ঙমখি।

ঙসি চাইনিজ টাইপৈগী মখূৎতা মায়থীরবা ইন্দিয়ানা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা থাইলেন্দগা শান্নগনি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দ থোইবা ঙল্লবদি ইন্দিয়া মথংগী রাউন্দদা চঙবা ঙমগনি।


**এসিয়ন গেমস ৱিমেন'স ক্রিকেট :**

হাংঝৌদা চথরিবা এসিয়ন গেমসতা ঙসি ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমনা মালেসিয়াবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা ফুল টাইম শান্নখিদে। নোংনা মরম ওইদুনা ওভর ১৫দা হন্থরগা শান্নবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা বেটিং হান্না তৌদুনা ৱীকেট ৫দা রন ১৭৩ লৌখি। অদুবু মালেসিয়াগী ইন্নিংস অদু বোল অনীখক লংলগা নোংনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু লোইশিনখি। নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা অদু লোইশিনখ্রবসু ইন্দিয়ানা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্লিবসি মলেসিয়াদগী রেঙ্কিং ৱাংনা লৈবা টিম ওইবননি।

হয়েং ইরাই নুমিৎতা ঝেজিয়াং য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী পিংফেং ক্রিকেট ফিল্ডদা শান্নগদৌরিবা বাংলাদেশ অমসুং হোং কোং চাইনা অনীগী অথোইবদুগা ইন্দিয়াগা শান্নগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 913**

**K Muranyi (2359) - N Huschenbeth (2287)**
**ch-GER Osterburg GER (5), 2006.02.07**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Bc4 Nf6 | 3.Qf3 c6 | 4.Nc3 g6 | 5.d3 Bg7 |
| 6.h3 O-O | 7.g4 d6 | 8.Nge2 Be6 | 9.Ng3 b5 | 10.Bb3 b4 |
| 11.Nd1 d5 | 12.Ne3 a5 | 13.g5 dxe4 | 14.dxe4 Nfd7 | 15.Bxe6 fxe6 |
| 16.Qg4 Qe7 | 17.Nc4 c5 | 18.Be3 Nc6 | 19.c3 bxc3 | 20.bxc3 Rf4 |
| 21.Qd1 Rd8 | 22.Qd6 Qxd6 | 23.Nxd6 Nb6 | 24.Nb7 Rb8 | 25.Nxc5 Nc4 |
| 26.O-O Rf3 | 27.Kg2 Rxe3 | 28.fxe3 Nxe3+ | 29.Kf3 Nxf1 | 30.Rxf1 Nd8 |
| 31.Rd1 Bf8 | 32.Nd7 Rc8 | 33.Nf6+ Kg7 | 34.Rd7+ Nf7 | 35.Ne2 h5 |
| 36.h4 a4 | 37.Ra7 a3 | 38.Rc7 Rd8 | 39.Nd7 Bd6 | 40.Rb7 Rc8 |
| 41.Nf6 Kf8 | 42.Rb3 Be7 | 43.Rb8 Rxb8 | 44.Nd7+ Ke8 | 45.Nxb8 Nd8 |
| 46.Nc1 Bd6 | 47.Na6 Kd7 | 48.Nd3 Kc6 | 49.c4 Kb6 | 50.c5+ Kxa6 |
| 51.cxd6 Nf7 | 52.d7 Kb6 | 53.d8=Q+ Nxd8 | 54.Nxe5 Kc5 | 55.Ke3 Nc6 |
| 56.Nxg6 Kc4 | 57.Nf4 Kc3 | 58.Nd3 Ne7 | 59.Ne5 Kb2 | 60.Kd2 Kxa2 |
| 61.Kc2 Ka1 | 62.g6 Nxg6 | 63.Nxg6 e5 | 64. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 912 Solution :**

**24. …Qg1+** The black queen clears the way for Black's knight to the square f2.

Your moves:24...Bxe2

**25.Rxg1** Blocking square g1. **Nf2+ 26.Kg2 Bh3#** Bishop and knight mate **0-1**

মমি ৱারী

## থৱান

"তাইবং শামু ঈখৌরাংনা অমা, খোইয়ুম নোংদমখোন্না অমনি।"



## ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)না শীন্দুনা ওক্টোবর ৪দগী ৮ ফাওবা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র (বোইজ/গর্লস) অমসুং য়ুঠ (মেন্স/ৱিমেন্স) বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা শরুক য়াগদবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী বোক্সরশিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৪গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদগী হৌদুনা মহেশ বোক্সিং একাদেমি ৱাংজিং হৈতুপপোকপীদা পাঙথোক্লগনি। ট্রায়ল সেলেক্সন অসি য়াওবা লাকপা মতমদা বোক্সরশিংনা মশা-মশাগী এজ ইষ্টিমেসন সর্টিফিকেট অমসুং মাবাগী বোক্সর আই দি নম্বর পুরক্কদবনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস তোমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


## স্কৱাশকী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):**

গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৭শুবা নেসনল গেমস-২০২৩দা শরুক য়ানবা অমদি মণিপুর টিম শেম্নবা স্কৱাশ শান্নরোয়শিং খন্ননবগী ট্রায়ল সেলেক্সন চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮ তাবদা চীংমৈরোংদা লৈবা সেন্ট এন্থোনি স্কুলগী স্কৱাশ কোর্টতা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর স্কৱাশ রেকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি থোঙাম সমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং, মণিপুর স্কৱাশ রেকেট এসোসিএসনদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা শান্নরোয়শিং ওইগদবনি। শান্নরোয়শিংনা ট্রায়ল য়াওবা লাকপা মতমদা পাসপোর্ট ফোটো কোপী ৩/৩ অমসুং আধার কোপী অমমম্সু পুরক্কদবনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল অমদি মরী লৈনবা পূম্নমক মণিপুর স্কৱাশ রেকেট এসোসিএসনদা লাকপীদুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

ট্রায়ল সেলেক্সন নুমিৎ অসিদা এসোসিএসনগী ওফিস বিয়াররশিংসু মতম চানা লাক্কবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



HL-B/8291/31,1-30/9




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com